# অসিয়ন সম্মিটশিংদা কোভিদ মতুংগী রিকোভরি, ইনফ্লেসন্না মরু ওইবা এজেন্দা ওইগদৌরি

নোমপেন, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): অসিয়নগী লাক্লিবা ৪০ অমসুং ৪১ শুবা সম্মিটশিংদা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক মতুংগী রিকোভরি মালেমদা ইনফ্লেসন ৱাংখৎলকপা অমসুং সেক্যুরিটিগী ইস্যুশিংনা মরু ওইবা এজেন্দা ওইরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কম্বোদিয়াগী কেপিটেল নোমপেনদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, অসিয়নগী ৪০ অমসুং ৪১ শুবা সম্মিটশিংগা লোয়নননা মরী লৈনবা ইভেন্ট নোমপেনদা নবেম্বর ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসকী ওফিসল অমা ওইরিবা কাও কিম হার্উর্ননা হায়, সম্মিটশিং অদু কম্বোদিয়ানা কুমজা ২০২২ গী অসিয়নগী চিয়র পায়বগী ৱাফমদা নত্তনা ব্লোক অপুম্বা অসিগী অমদি মসিগী দাইলোগ পার্টনরশিংগী ওইনসু মরু ওইগনি। কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারীদগী অসিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেলগী ফম শিন্নরগদবা কিম হার্উর্ননা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি কোভিদ পেন্দামিক মতুংগী ইকনোমিক রিকোভরিগা মরী লৈনবা থৌরাংশিং, রসিয়া-যুক্রেন ৱারগুম্বা সেক্যুরিটি ইস্যুশিং, কোরিয়ন পেনিন্সুলা, মালেমগী থাউ অমদি চিঞ্জাক্কী মমল হেনগৎলকপা লোয়নননা ক্লাইমেট চেঞ্জনচিংবা ৱাফমশিং অসি সম্মিটশিং অদুদা খন্নরগনি।

কম্বোদিয়ানা চেলেঞ্জ পুম্নমক অসিবু থেংনবগা লোয়নননা লৈবাক অসি রিজনেল মেপতদা নত্তনা গ্লোবেল মেপতসু য়াওগদৌরিবসি য়েংলগা মসি য়াম্না মরু ওইবা মতম অমনি হায়না ঐখোয়না লৌই। ইন্টরনেসনেল রিলেসন্স ইন্সটিট্যুট ওফ কম্বোদিয়াগী দিরেক্তর জেনরেল কিম রিয়ানা হায়, সম্মিটশিং অদু মল্টিলেটরেলিজম পুক্রিং থৌগৎপগা লোয়নননা লমদম অদুনা অমদি মালেম পুম্বনা মায়োক্নরিবা মরু ওইবা চেলেঞ্জশিং থেংননবগীদমক্তা য়াম্না মরু ওই।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়, কোভিদ ১৯ পেন্দামিক, ফুদ এন্দ ইনর্জি ইন সেক্যুরিটি অমসুং পৱারগা মরী লৈননা অমগা অমগা মুক্নবা অসি হৌজিক অসিয়ননা মায়োক্নরিবা অমদি মতুং চহী কয়াদসু মায়োক্নরক্কদবা মরু ওইবা চেলেঞ্জশিংগী মনুং চল্লি। কম্বোদিয়া দিভলপমেন্ট রিছোর্সকী চিয়ারমেন মেক কালিয়াননা হায়, মালেম অসি অরুবা তানফম অমদা লৈরি। হিরম খুদিংমক্তা মরু ওইনা সেক্যুরিটি, ফুদ, ইকনোমিক, ইনর্জি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জনচিংবা হিংবগা মরী লৈনবা থ্রেট কয়া মীওইবনা মায়োক্নরি।

অসিগুম্বা বেকগ্রাউন্দ অসি য়েংলগা লাক্লিবা অসিয়নগী সম্মিটশিং অসি মতমগা য়াম্না চুন্নৈ হায়বা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মীটিংশিং অসিদা অরুবা ইস্যুশিং শোয়দনা লৈখায় তাবা ঙমগনি হায়বদি ঙমদে। অদুম ওইনমক লুচিংবা পুম্নমক্না ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্নরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইস্যুশিং অসি ৱাখল তৌনা অমদি থৌনা লৈনা খন্নগদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

কালিয়ানননা হায়, লুচিংবশিংনা পেন্দামিক মতুংগী ইকনোমিক রিকোভরি য়াঙশিলহন্নবগী লম্বীশিং খন্নবগা লোয়নননা সেক্যুরিটিগী ইস্যুশিং, চিঞ্জাক অমসুং ইনর্জিগী মমল ৱাংলক্লিবসি খন্নগদবনি। মসিনা লমদম অসিদা অমদি মালেম অপুম্বদা মরা তপ্পা ফিভম, সেক্যুরিটি, ষ্টেবিলিটি অমসুং চাওখৎ খোঙথাংশিং লাকহনবদা মতেং পাঙগনি।

নোমপেনদা লৈবা বেলটেল ইন্টরনেসনেল য়ুনিভর্সিটিগী সেনিয়র প্রোফেসার জোসেফ মাথিয়ুসনা সম্মিটশিং অদুদা অসিয়নগী লুচিংবশিংনা রিজনেল কম্প্রিহেন্সিব ইকনোমিক পার্টনরশিপ ট্রেদ দিলগী প্রোগ্রেসকী মতাংদসু খন্নগনি হায়বগী থাজবা থাজবসু ফোঙদোকখি। দিল অসি চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী চৎনবা হৌখিবনি।

# ইরাননা রসিয়াগা দোল্লর বিলিয়ন ৬.৫ কী গ্যাস কন্ট্রেক্টশিং খুৎয়েক পীনখ্রে

টেহরান, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): ইরান অমসুং রসিয়ানা গ্যাস সেক্তরদা দোল্লর বিলিয়ন ৬.৫ লোমগী ওইগদবা কো ওপরেসনগী কন্ট্রেক্টশিং খুৎয়েক পীনরে হায়না টেহরানদা মিনিষ্টর অমনা লাউথোকখ্রে।



ইরানগী দিপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর ফোর ইকনোমিক দিপ্লোমেসি মেহদি সাফিরিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, নৌনা খুৎয়েক পীনখিবা দিলশিং অদু হন্দক্তা কন্ট্রেক্টশিং ওইহনখিবা হৌখিবা জুলাইদা নেসনেল ইরানিয়ন ওইল কম্পেনি (এন আই ও সি) অমসুং রসিয়াগী গাজপ্রোমগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা দোল্লর বিলিয়ন ৪০ গী ভেল্যু ওইগদবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) গী মনুং চল্লি।

সোফরিনা এম ও য়ু অদুগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অদুসু থা অমগী মনুংদা কন্ট্রেক্টশিং ওইহনবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক নিগোসিএসন চথুরি হায়খি।

ইরান অমসুং রসিয়াগী মরক্তা গ্যাস একচেঞ্জ তৌনবগী দিল অমা ফাইনেলাইজ তৌরগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়, হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা য়াদনা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা ইস্যুদি ইরানদা রসিয়াগী গ্যাস থানবগী মরক্কী লৈবাক অমা খনবা অসিনি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়, ইরানগী থৌরাংদি রসিয়াদগী গ্যাস ইম্পোর্ট তৌবা অমদি ইরানগী গ্যাসনা মপানগী মার্কেটশিংদা থাদোকপা অসিনি। মসিনা মহাক্কী লৈবাকপু ইরানগী গ্যাস খা থংবা লমদমশিংদগী অৱাংদা পুবগী মমলশিং হন্থহন্দুনা কান্নহল্লি। জোইন্ট প্রোজেক্ট অদুনা ইরান, রসিয়া অমসুং টুকমেনিষ্টান অমসুং অজরবৈজানগুম্বা মরক্কী লৈবাকশিংগী মরক্তা পোলিটিকেলগী মরীসু হেন্না চেৎশিনবদা মতেং পাঙলগনি। মসিনা লমদম অদুদা পোলিটিকেল ষ্টেবিলিটি, সেক্যুরিটি অমসুং মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি হায়নসু সোফরিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লৈবাক অনীনা থাউ অমসুং পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং একচেঞ্জ তৌনবগী কন্ট্রেক্ট অমগী অকুপ্পশিংগী মতাংদসু য়ানবা পুরক্লগনি। কন্ট্রেক্ট অদু ইরানগী ওইল মিনিষ্টর জাবদ ঔজিনা হৌখিবা ওক্তোবরদা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা খন্নখিবনি।

### লেবাননদা কোলেরা ভেক্সিন থুংখ্রে

বৈরুট, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): লেবাননদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কোলেরাগী লাইচৎ কন্না শন্দোক্লিঙৈ মরক্তা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা থীংনবা মালেম্না হোৎনরিবশিংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিদা থাখিবা কোলেরা ভেক্সিনশিংগী অহানবা বেটচ ফঙলে হায়না হেল্ঠ মিনিষ্টর ফিরাস অবিয়টনা লাউথোকখ্রে।

অবিয়টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ভেক্সিন দোজ ১৩,৪৪০ অদু লৈবাক অদুদা কোলেরা লাইচৎ লাকশিনবদা য়াম্না মরু ওইগনি। বেটচ অদু লেবাননগী ফ্রন্ট লাইন হেল্ঠ ৱার্করশিংদা শীজিন্নগনি হায়না লেবাননদা লৈরিবা ফ্রেন্স এম্বেসেদর এনি গ্রিলোনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, লেবানননা নবেম্বর থাদা অহেনবা দোজশিং ফঙননবা ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগা তান্নরগা হোৎনরিবদু ফ্রান্সনা শৌগৎকনি। লেবাননদা হৌজিক ফাওবদা কোলেরাগী কেস ৩৮৮ থেংনবগা লোয়নননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১৭ শিখ্রে।

ওক্তোবর ৬ তা লেবোরেটরিদা কনফার্ম তৌরবা অহানবা কেস অনী লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা থেংনখিবনি। মদু কুমজা ১৯৯৩ গী মতুংদা লৈবাক অসিদা শন্দোরক্লিবা অহানবা কোলেরা লাইচৎনি। অরুবা ঈশিং সপ্লাই তৌবা অমদি সেনিটেসনগুম্বা লায়না থিংনবগী অতৈ থৌরাংশিংগা লোয়নননা ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন্না কোলেরাগী ভেক্সিনশিং শীজিন্নবা রিকমেন্দ তৌরি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী ওফিসল অমনা থা অসিগী অঙনবদা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না মালেমগী ওইনা ভেক্সিন সপ্লাইদা অশোনবা লৈরকপনা মরম ওইদুনা দোজ অনীগী রিকমেন্দেসন অদু শুপ্পগী দোজ অমদা হন্থখিবনি। করিগুম্বা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎপা ঙমদবা তারবদি লেবাননদা কোলেরা তোইনা শন্দোরকপা য়াই হায়না অবিয়টনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎকী খোঙথাং অসি লাকপনি।

# দি আর কোঙ্গোগী ট্রুপশিং অমদি মিলিসিয়া কাঙবুশিং খুৎ থোক্নবদগী মীওই লিশিং কয়া লাঞ্জেন্নরে

য়ুএন, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): নোংপোক থংবা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দিআরসি) দা লান কনখৎলকপদগী মীওই লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনবগা লোয়নননা মীওই কয়া অমা য়ুগান্দাদা চেনশিনখ্রে হায়না য়ুএন স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরক্লি।



য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী চীফস স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজরিক্না হায়, নোর্থ কিবুদা কোঙ্গোলিস আর্মদ ফোর্সেস অমসুং এম ২৩ (মিলিসিয়া) গী মরক্তা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা খুৎ থোক্নখিবনা মরম ওইদুনা মীচম লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা কিৱাঞ্জাদা লৈরিবা ঐখোয়গী পিছ কিপ্পিং বেজ তম্না চঙশিনখ্রে।

মোনুস্কো হায়না খঙনা য়ুএন মিশনগী পিছ কিপ্পরশিংনা মখা তানা কোঙ্গোলিস আর্মদ ফোর্সেসতা লোজিষ্টিকেল অমসুং মেদিকেল সপোর্ট পীবগা লোয়নননা সিভিলিয়নশিং ঙাক শেন্দুনা লৈরিবনি। স্পোক্সমেন অসিনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ ১১ নি অসিদা মীওই ৫০,০০০ রোম মকৈ ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই লিশিং ১২ রোমদি য়ুমথংনরিবা য়ুগান্দাদা চেনশিন্দুনা চঙজফম লৌখ্রে।

দুজরিকনা হায়, নোর্থ কিবু প্রোভিন্সকী কেপিটেল গোমাদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা আপিল তৌবদগী মীওই কয়া অমনা নোংমাইজিং অমসুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা রুৱান্দাগী লোন্নবা বোর্দর এরিয়াশিংদা দেমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকখি। রুৱান্দাবু এম ২৩ মিলিসিয়া শৌগৎলি হায়না মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

দুজরিকনা হায়, হৌখিবা চয়োলদা এম ২৩ অমসুং কোঙ্গোলিস ফোর্সশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা পিছ কিপ্পর মরি অশোক অপন নঙবগী পাউ ঐখোয়না ফঙখি। কোঙ্গোলিস আর্মদ ফোর্সেস অমসুং জায়র মিলিসিয়াগী মেম্বরশিংগী চিংনবশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্নরকপদগী হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা কিবুগী অৱাংদা লৈবা ইতুবি প্রোভিন্সতা লৈরিবা য়ুএন পিছ কিপ্পরশিংনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লিবা মীওইশিংবু চঙজফম পীরিবা মফম রোদা ক্বিক রিএক্সন ফোর্স অমা দিপ্লোই তৌখ্রে।

এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেল্লিবশিংনা য়ুএন পিছ কিপ্পিং প্রেমিসেসতা চঙজফম লৌনবা হোৎনখি অমদি মখোয়গী মরক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ ফঙদে হায়না দুজরিকনা মখা তাখি।

# ‘সাউথ কোরিয়া-য়ুএসকী এয়র দ্রিলগী মায়োক্তা নোর্থ কোরিয়ানা হেন্না কনবা এক্সনশিং লৌখৎলগনি’

সিওল, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা মিলিটরিগী ওইবা কায়হৌবগী থৌওংশিং চথদুনা লৈরবদি থৌওং অদুগী মায়োক্তা হেন্না মতিক ময়াই লৈবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা য়াই হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নোর্থ কোরিয়ানা ৱার্নিং তৌখ্রে।



সাউথ কোরিয়াগা কম্বাইন্দ এয়র এক্সর্সাইজ চাওনা চথরিবদু পল্লদুনা পিওংয়াংনা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীচং লৈবাক অনীনা ভিজিলেন্স ষ্টোর্ম হায়না মমিং থোন্দুনা হৌজিক চথরিবা কম্বাইন্দ এয়র দ্রিলশিং অদু লেপ্পা নাইদবা অমদি হালেংবা লৈতবা কায়হৌবগী খোঙথাংনি হায়না নোর্থকী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থকী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) না ফোঙবা ষ্টেটমেন্ট অমদা স্পোক্সমেন অদুনা হায়, এক্সর্সাইজ অদু মরু ওইনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তঙাই ফদবগী ফিভম লাক্কবা মতমদা দি পি আর কেগী ষ্ট্রেটেজিক টার্গেটশিংদা ষ্ট্রাইক তৌনবগী পান্দমদা চথবা অকন অরিংশীংবগী দ্রিলশিংনি।

দি পি আর কে অসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল মিং দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া অসিগী এক্রোনিমনি। চহী মঙারোমগী মনুংদা অহানবা ওইনা মীচং লৈবাক অনীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখোয়গী অহানবা জোইন্ট এয়র দ্রিল তৌখি। পিওংয়াংনা অথুবা মতমদা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা এয়র ক্রাফট ২৪০ হেন্না মোবিলাইজ তৌবগা লোয়নননা পেনিন্সুলা অদুগী নোংথক্তা ষ্টেল্থ জেটশিং য়াওনা লানগী প্লেন কয়া পায়হন্দুনা হৌখি। এক্সর্সাইজ অদু ইরাই নুমিৎ ফাওবা চথগদবনি।

নোর্থকী ওফিসল অসিনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, মদুদি পিওংয়াংনা মসিগী সোভরেন্টি, মীয়ামগী সেক্যুরিটি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্নবগীদমক মথৌ তাবা খোঙথাং পুম্নমক লৌখৎননবা শেম শাদুনা লৈ।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মখা তানা কায়হৌবগী থৌওংশিং চথদুনা লৈরবদি দি পি আর কেনা হেন্না মতিক ময়াই লৈরবা খোঙথাংশিং মতম চানা লৌখৎতুনা পাউখুম পীরগনি হায়না স্পোক্সমেন অসিনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সিওল অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা পাঙথোক্লিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং অদু লান দানবগী রিহার্সেলনি হায়রদুনা নোর্থ কোরিয়ানা মতম শাংনা চৈ থাংলদুনা লাকখি অমসুং ৱাশিংতনদা পিওংয়াংবু তাথিবগী পোলিসি লেপ্পনবসু হায়খি।

অমরোমদা, মীচং লৈবাকশিং অসিনা জোইন্ট দ্রিলশিং অদু মশা ঙাকথোকচনবগী মওংদা পাঙথোকপনি হায়রি।

# মার্সিএল লো চৎনবগী ৱাফম হৌদোকপগীদমক মিনিষ্টরনা ইমরান খানবু চৈখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): পাকিস্থানদা মার্সিএল লো ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগী ৱাফম হৌদোকপগীদমক লৈবাক অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং পায়রিবা ফেদরেল মিনিষ্টর মরিয়ম ঔরঙ্গজেবনা ইমরান খানবু চৈ থাংখ্রে হায়না সমা টিভিগী রিপোর্টনা হায়রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফেদরেল ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি হান্নগী পিএম অসিনা পাকিস্থানদা মীখল পাঙথোকপগী মহুত্তা কাং খোং চাইবা অমদি মপু পান্দবগী ফিভম ওইনা পাম্মী। মহাক দিমোক্রেসিগী মরমদা করিসু খনবা মীশক নত্তে। ইমরান খানননা পাকিস্থানদা ইমর্জেন্সিগী ফিভম চৎনহনবা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মারিয়ম্না হায়খি, মদুদি পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফকী চীফনা অদুগুম্বা ৱাফমশিং হৌদোক্তুনা লৈবাক অসিদা দিমোক্রেটিক লৈঙাক লৈহন্দনবা হোৎনরিবদুনা মঙোন্দা করিমত্তা কান্নবা পুরক্লোই। গভর্ণমেন্টনা প্রেসরদা মীখল পাঙথোক্নবগী মতম লাউথোকপা তৌরোই।

ইমরান খান অসি খুন্নাইদা চরাংনবা থোকহন্নবগীদমক্তা কন্টেন্নর অমদা কাখৎপগী হৈনবী লৈবা মীশক অমনি হায়নসু মারিয়ম্না ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়, কুমজা ২০১৪ দসু প্রোটেষ্ট অমদা মহাক কন্টেন্নরদা কাখৎখি। মহাক্না মরম ওইদুনা চাইনিজ প্রসিদেন্টগী খোঙচৎ ফাওবা য়ৈথোকখি হায়নসু মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মিনিষ্টর অসিনা ইমরান খানননা পিএম ওইরিঙৈ মনুংদা চাইনা পাকিস্থান ইকনোমিক কোরিদোর (সিপিইসি) নাথৈদুনা থমখিবা ওইরবসু হৌজিক্তি পিএম সেহবাজ সারিফনা প্রোজেক্ট অসিদা নৌনা ইনোৎ হাপ্লে হায়খি।

মারিয়ম্না হায়খি, মদুদি চহী মরি চুপ্না হোৎনবদা ইমরান খানননা পাকিস্থান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী মেম্বর অমত্তা করপসনদা চেন্নবগী প্রুভ তৌবা ঙমদে।

# রসিয়ানা গ্রেন এক্সপোর্ট দিলদগী হন্দোকপা লৈতে, হৌজিক লেপ্পদনি: মোস্কো

মোস্কো, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): রসিয়ানা যুক্রেনগা য়ানখিবা গ্রেন এক্সপোর্ট দিলদগী ৱিদ্রো তৌবা লৈতে, সস্পেন্দ তৌবদনি হায়না মোস্কোদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।



মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, রসিয়ানা যুক্রেনগা য়ানখিবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিব হায়না খঙনবা গ্রেন এক্সপোর্ট দিলগী মতুং ইন্না শেমখিবা ব্লেক সীগী সেক্যুরিটি কোরিদোর পরিংগী ট্রাফিক থিংলে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা মিনিষ্ট্রি অসিনা কিভপু হ্যুমেনিটরিয়ন রুটশিং শীজিন্নদুনা মিলিটরি এটেকশিং চথৈ হায়না মরাল শীখি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, যুক্রেনিয়ন লিদরশিপ অমসুং যুক্রেনিয়ন আর্মদ ফোর্সেসকী কম্মান্দনা সেক্যুরিটি কোরিদোর অদুবু রসিয়াগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথবদা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা কোরিদোর অদুদা জহাজ চথোক চৎশিন তৌবা হায়বসি য়াহনফম থোক্তে।

যুক্রেনিয়ন সাইটনা মিলিটরিগী হিরমশিংদা লম্বী অসি শীজিন্নদবগী ৱাফম য়াদ্রি ফাওবদি কোরিদোর অসিদা চথোক চৎশিন তৌরিবা পুম্বদা সেক্যুরিটি গরেন্টি পীবগী ৱাফম লৈতে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, রসিয়াগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী ফিরেপ য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজ অমসুং য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা খঙহনখ্রে। হ্যুমেনিটরিয়ন কোরিদোর অদুগা লোয়নননা লৌউশিংঊগী পোথোকশিং এক্সপোর্ট তৌননবগীদমক্তা শীজিন্ননবা লাউথোকখ্রবা যুক্রেনগী পোর্টশিং রসিয়াগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসনশিং চথবদা শীজিন্নরোই হায়বগী গরেন্টি যুক্রেনবু পীহনবদা মালেমগী বোদি অসিনা মতেং পাঙগনি হায়না থাজে।

মোস্কোনা কিভকা কন্না লান্থেংনরিঙৈ মরক্তা মালেমগী কৈথেলশিংদা সপ্লাই তৌবা লেপ্তুনবগীদমক্তা লান শোক্নরিবা লৈবাক অনীদগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমদি ফর্টিলাইজর এক্সপোর্ট তৌবা য়াননবা হৌখিবা জুলাই ২৭ তা টর্কি অমসুং য়ুএননা ৱাতেমদুনা রসিয়া অমসুং যুক্রেননা ইষ্টানবুলদা দোক্যুমেন্ট অমা তোঙান তোঙাননা খুৎয়েক পীখিবনি।

ওক্তোবর ২৯ দা রসিয়ানা যুক্রেনবু ব্লেক সীদা লৈরিবা রসিয়াগী লানগী জহাজশিং অমদি সেবাষ্টোপোলদা লৈরিবা নেভেল বেজকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা দ্রোন এটেকশিং চথখি হায়না মরাল শীরদুনা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিব ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক খুদক্তা অমদি মতম কক্তনা লেপ্পনবা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।

# মীখলদা শীজিন্নবগীদমক নেপালদা গাড়ী মখল কয়া পীখ্রে

কঠমান্দু, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): নেপালগী ইলেক্সন প্রোসেসতা শীজিন্নবগীদমক ইন্দিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা মখলগী গাড়ী ২০০ হিমালয়ন লৈবাক অসিদা শীন্নখ্রে।

নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেপালগী ফেদরেল অমসুং ইলেক্সনশিংগা মরী লৈননা কঠমান্দুনা ন্যু দিল্লিদা গাড়ীগী মতেং পাঙলক্কবা হায়জখিবনি।

কঠমান্দুদা লাংখিবা থৌরম অমদা নেপালদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর নবিন শ্রীবাষ্টাবানা ন্যু দিল্লি গভর্ণমেন্টগী মহুৎ শীন্দুনা লোজিষ্টিকেল সপোর্টকী ওইবা খুদোল অমা ওইনা ফাইনান্স মিনিষ্টর জনার্দন শর্ম্মাদা গাড়ীশিং অদু শীন্নখি। গাড়ী ২০০ অদুগী মনুংদা ১২০ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শীজিন্নখি অমসুং লেমহৌরিবা ৮০ অদুনা নেপালগী ইলেক্সন কম্মিসন্না শীজিন্নগনি হায়না ইন্দিয়াগী এম্বেসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, গাড়ীশিং অদু মীখল কন্দক্ট তৌবদা হিমালয়ন লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী লোজিষ্টিকেল এরেঞ্জমেন্টশিং ফগৎহনবদা থোইদোক্না কান্নরগনি। দিভলপমেন্ট পার্টনরশিপকী মওংদা নেপালবু মখা তানা মতেং পাঙলকপগীদমক্তা লৈবাক অসিগী ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্বু থাগৎখি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা নেপাল পুলিস অমসুং আর্মদ পুলিস ফোর্সেসতা গাড়ী ২০০০ পীখিবগা লোয়নননা নেপাল্লি আর্মি অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনদসু অহেনবা গাড়ী ৪০০ পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালগী মরক্তা মখল মখা কয়াগী লমশিং চাওখৎহন্নবগী পার্টনরশিপ মরী শাংনা লৈনরকপগা লোয়নননা থেংখাং কয়াদা লৈবাক অনীগী মীয়ামশিং অমগা অমগা নকশিন্নদুনা লৈ হায়বসি উৎতুনা লাক্লি। লোজিষ্টিকেল সপোর্ট পীবা অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগা লৈনরিবা মরী মখা তানা চেৎশিলহন্নবা হোৎনৈ হায়বদু উৎলি হায়না এম্বেসিনা ফোঙদোকখি।

### হায়স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পদা অমা শিরে

ওটাৱা, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): কানাদাগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি টৌরোন্টোগী হায় স্কুল অমগী মমাঙ থংবা য়ার্দতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অমা শিখ্রে অমদি অতোপ্পা অমনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ তারমদাইদা ৱোবন কোলেজিয়ট ইন্সটিট্যুটকী মপানদা থোকখিবনি হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা টৌরোন্টো পুলিসনা সোসল মেদিয়াদা কনফার্ম তৌখি। মশাদা নোংমৈনা পান্দুনা ফিভম থীনা শোক্লবা ভিক্তিম নুপা অমা হোস্পিটালদা পুখৎখিবদা মতম শাংনা লায়কন্নবা ঙমদবদগী শিখি।

# ক্লাইমেট এক্সনগীদমক বাংলাদেশনা দোল্লর বিলিয়ন ১২.৫ মথৌ তারি

ধাকা, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): বাংলাদেশনা ক্লাইমেট এক্সনগী-দমক য়ামদ্রবদা দোল্লর বিলিয়ন ৪.৫ হায়বদি লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জিদিপি) গী চাদা ৩ লোম মথৌ তাগনি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



বাংলাদেশকী ওইবা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী ক্লাইমেট এন্দ দিভলপমেন্টকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ফন্দশিং অদুগী ফাইনান্সিং ওপশনশিংদা বজেট প্রাইওরিটাইজেসন, কর্বোন টেক্সেসন, এক্সটর্নেল ফাইনান্সিং অমসুং প্রাইভেট ইনভেষ্টমেন্ট য়াওই। ক্লাইমেট দিজাষ্টরশিংনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা থোকহনবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইনা কান্নরবসু বাংলাদেশনা হৌজিকসু শাথিরবা ক্লাইমেট রিস্কশিং লেপ্তুনা মায়োক্নরি।

হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন থুনা লৌখৎতবা তারবদি লৈবাক অসিগী গ্রোঠ পোটেন্সিএলদা চাওনা অকায়বা লাকহনগনি। রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, ক্লাইমেট চেঞ্জনা লাইরবা অমদি রিস্ক লৈবা মীওইশিংবু খ্বাইদগী হেন্না শোকহনগনি। চাংচৎকী ওইবা ট্রোপিকেল সাইক্লোনশিংনা চহী খুদিংগী বাংলাদেশতা মাওঙল্লিবসি দোল্লর বিলিয়ন ১ রোমনি হায়না পায়। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কুমজা ২০৫০ ফাওবগী মনুংদা লৌউশিংঊগী জিদিপিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা মাঙবগা লোয়নননা মীওই মিলিয়ন ১৩ ইন্টরনেল ক্লাইমেট মাইগ্রেন্টশিং ওইরকপা য়াই। করিগুম্বা ঈশিং ঈচাও কা হেন্না থোকপা তারবদি জিদিপি চাদা ৯ ফাওবা হন্থরকপা য়াই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বাংলাদেশনা দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট নীংথিনা ঙাক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ৫০ হেনবগী মতমদা লৈবাক অসিনা সাইক্লোনগা মরী লৈনবা মীশিশিং শরুক ১০০ হন্থহনখি হায়রি।

# য়ুএসতা অনৌবা ভেরিয়েন্টশিংনা কোভিদ কেস হেনগৎহল্লে

ৱাশিংতন, নবেম্বর ১ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অনৌবা ভেরিয়েন্টশিংনা মরম ওইদুনা কোভিদ ১৯ গী কেসশিং খোঙজেল য়াঙনা হেনগৎলক্লি হায়বসি সেন্টর্স ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সিদিসি) না রিলিজ তৌবা দেটানা উৎখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙ-দোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা সিদিসিগী দেটাগী মতুং ইন্না মরু ওইনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অনী বি ক্যু.১ অমসুং বি ক্যু.১.১ অসি য়াম্না য়াঙনা শন্দোরক্লি। ওক্তোবর হৌরকপদা ভেরিয়েন্ট অনীমক্না থোকহনবা অনৌবা ইনফেক্সনশিং য়ুএসকী অপুনবা ইনফেক্সনগী চাদা ১ রোমদমক ওইখি। তৌইগুম্বসুং চয়োল খুদিংগী ইনফেক্সন মশিং শরুক অনী হেনগৎলকপা উরি। দেটা অদুনা মখা তানা উৎলিবদি ওক্তোবর ২৯ না লোইখিবা চয়োলদা লৈবাক অসিদা থেংনখিবা অনৌবা ইনফেক্সনশিংগী চাদা ১৪ রোমদি বি ক্যু.১ না থোকহনখি অমদি অনৌবা কেসশিংগী চাদা ১৩.১ না বি ক্যু.১.১না থোকহনখি।

লৈবাক পুম্বগী ওইনা থেংনরিবা অনৌবা ইনফেক্সন মরিগী মনুংদা অমা হেনবদি ভেরিয়েন্ট অনী অসিনা থোকহনবনি হায়বসি সিদিসিগী দেটা অদুনা উৎলি। হৌখিবা জুলাইদগী য়ুএসকী কোভিদ ইনফেক্সন দোমিনেট তৌরকখিবা বিএ.৫ না হৌজিক লৈবাক অসিগী অনৌবা কেসশিংগী চাদা ৪৯.৬ ওইরি। অনৌবা কেসশিং অদুগী অয়াম্বদি বিএ.২, বিএ.৪ অমসুং বিএ.৫ কী অনৌবা সবলিনিয়েসশিংনা থোকহনবনি।

ভেরিয়েন্টশিং অসি অমগা অমগা খজিক খজিক খেন্নরবসু মখোয় লোইনমক ভেক্সিনশিং অমদি মমাঙগী ইনফেক্সনশিংনা লাকহল্লিবা ইম্যুনিটি থৈদোকপা ঙমহল্লিবা মান্নবা ম্যুটেসনশিং য়াওই। মসিনা মখোয়বু মীওইবদা ইনৌ নৌনা ইনফেক্সন কয়া থোকহনবগা লোয়নননা মমাঙদা নারুরবা মীওই কয়াবুসু নৌনা ইনফেক্সন লাকহনবা ঙমহল্লি হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।